**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লেন অমদি অকনবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুবদগী য়ুম-কৈ অমদি মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোক্লে। ইমুং কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা অমদি অৱাবা নংলবশিংদা খুদক্তা মতেং পীনবা খঙহনখ্রে।

২) জ্বেনাইল জষ্টিসকী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমদি সেন্সিতাইজেসনগী থৌরম ঙসি মণিপুর হাই কোর্টকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

৩) ইলেক্সন কম্মিসন্না লৈবাক অসিগী রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী মীখলগী মতম ঙসি লাউথোকখ্রে।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারনা অসামবু অৱাং নোংপোক লমদমগী অনা লায়েংগী মরুওইবা মফম অমা ওইনা শেমগৎতুনা মীয়ামা লাপা চত্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাদবা হন্থহল্লে।

অমসুং

৫) পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা এল.পি.জি দিষ্ট্রিব্যুতরশিংদা গ্যাস পীবা লেপ্পগী ৱাফম লৈতে।

------

সিএম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা হন্দক লেন য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী ইমুং কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- ফিভম অসিগী য়েংলগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা অমদি অৱাবা নংলবশিংদা খুদক্তা মতেং পীনবা খঙহনখ্রে। মহাকা হায়- তেংবাংগী পোৎলমশিং য়াওনা দরকার লৈবা পোৎলম খুদিংমক থিন্থবা তৌদনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা ফংহন্নবা রিলিফ অমদি রেস্পোন্স টিমশিংদা খঙহনখ্রে। মরী লৈনবা বিভাগশিংনসু ফিভম অসি কুপা য়েংশিল্লি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা সরকারনা মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়নসু শ্রী খেমচান্দনা ফোংদোক্লি।

মণিপুরগী মফম কয়াদা ঙসিসু মখা তানা নোং চুরি। নোনেগী জিলাদা ঙসি নুংথিল লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখি। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- লেন অদুনা য়ুম য়াওনা মনা মশিং কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে।

রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিং বিষ্ণুপুর, ককচিং, থৌবালনচিংবদসু ঙসি লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুখি। মসিনা মরম ওইদুনা চানা থকবা মনা মশিং কয়া অমাং অতা থোক্লে হায়রি। য়ুমচিংবা কয়াসু অমাং অতা থোক্লে।

ককচিং জিলাগী ইরেংবন, হৱাইরৌ, মাইরেনবম অমদি সোরাদা লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী য়ুম কয়ামরুম অমাং অতা থোক্লে হায়রি।

তেংনৌপল জিলাদসু লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখি। উখ্রুল জিলাগী চিংজারোই খুলদসু নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকপদগী উ-ৱা কয়া মরু ফুকা তুখি। য়ুম কয়া অমাং অতা থোকখ্রে। অতৈ জিলাশিংদসু নোং কন্না চুখিবগী পাউ ফংই।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওলোরোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি । জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর জিলানি। অতৈ জিলা খরদনা লাক্লিবা নুমিৎ নুমিৎ মঙানি অসিদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, কেন্দ্রগী হোম এফ্যারস মন্ত্রালয়না মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা ঙসি অখাম অরাউ য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগী ৬০ ফাওবগী চাংদা নুংশিৎ শিৎলবা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী ঙসি ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। মীয়ামা তেল্লুক তুরকপা য়াবা উ-ব্রানচিংবগী মখাদা লৈতনবা, দরকার লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌদনবা অমদি সরকারনা থোকপা এদভাইজরিশিং মপুং ফানা ঙাকা চৎনবা খঙহল্লি।

কোর্ট (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস এম. সুন্দরনা হায়রি- অঙাং হায়বসি ককথৎতুনা শেম শাদ্রিবা মনি গুন্বনি। আইন্না য়াদবা মাইকৈদা চৎলিবা অঙাংশিং অদুদি হু চেল্লবা পোৎলমশিংনা কোইশিনদুনা লৈবদগী মশাগী অরংবা মশক অদু মাংলবা মনিগুম্বনি।

মণিপুর হাই কোর্টকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা জ্বেনাইল জষ্টিসকা মতাংদা মীয়াম্বু খঙহন্নবা রাজ্য থাক্কী খন্ন-নৈনবা অমদি সেন্সিতাইজেসনগী থৌরমদা মহাকা হায়- অঙাংশিংগী ওইবা অখন্নবা প্রোভিজন কয়া সংবিধানগী আর্তিকল ১৫ গী অহুমসুবা ক্লোজদা য়াওরি। অঙাংশিংগী হক ঙাক শেন্নবগীদমক জে.জে.বিশিং অমদি সি.দব্লিউ.সিশিং অসি জিলাগী থাক্তা শেম্বা মরুওইবা বোদিশিংনি। আইনগী ব্রাংমদা চৎখ্রবা অঙাংশিংবু মহৌশাগী ঈচেলদা পুরক্তুনা মখোয়গী লমচৎ শাজৎ শেমদোকবা হোৎনবদা মীয়ামা মরী লৈনবা পুম মক্কা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী তঙাইফদবসু মহাকা পনখি।

থৌরম অদুদা মনিপুর হায় কোর্টকী জজশিং- জষ্টিস- এ. বিমোল সিংহ অমসুং জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্ম শরুক য়াখি।

আর্ট (এল)ঃ ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিদা থা অসিগী ১১ দগী চথুরকখিবা মাইন্দ-বোদি হায়না মিংথোনবা সোলো আর্ট একজিবিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। একজিবিসন অসিদা পুন্না অয়েকপা লাই ২৭ উৎখি।

কনফরেন্স (এল)ঃ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেসকী লমদা খুমাং য়াংশিল্লকপগী মতাংদা মালেমগী ওইবা মীফম অমা হয়েং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ হনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেস, রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ, ইন্দিরা গান্ধি রাষ্ট্রিয়া মানব সংগ্রালায়া, ভোপালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

ইসিআই ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না লৈবাক অসিগী রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী মীখলগী মতম ঙসি লাউথোকখ্রে। মীখল পাঙথোক্কদবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অদুদি- অসাম, নোংচুপ বেঙ্গল, তামিলনাদু, কেরলম অমসুং পুদুচেরিনি। অসাম, কেরলা, পুদুচেরি অমসুং তামিলনাদুগী মীখলনা তাঙ্কক অমখক্তদা অদুগা নোংচুপ বেঙ্গলগীনা তাঙ্কক অনিদা ভোৎ থাদনগনি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেশ কুমারনা হায়- অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী মীখলগী ভোৎ এপ্রিল ৯ দা থাদনগনি। তামিলনাদুগীনা এপ্রিল ২৩ দা, নোংচুপ বেঙ্গলগীনা এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৯ দা ভোৎ থাদনগনি। মীখলগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীগনি। শ্রী কুমারনা হায়- মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু খুদক্তগী চৎনবা হৌরে।

মসিগা লোয়ননা গোৱা, গুজরাত, করনাতক, মহারাষ্ট্র, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ গী মরক্কী মীখলগী মতমসু লাউথোকখ্রে।

গৃহ মন্ত্রি ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারনা হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা অসামবু অৱাং নোংপোক লমদমগী অনা লায়েংগী মরুওইবা মফম অমা ওইনা শেমগৎতুনা মীয়ামা লাপা চত্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাদবা হন্থহল্লে।

হ্কশেলগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া যাত্রা হুনবা অমদি শঙ্গাবগী থৌরমদা গুৱাহাতিদা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহ্না হায়- মীয়ামগী অনা লায়েংদা প্রোতোন থেরাপি মেছিন শিজিন্নবা লৈবাক অসিগী অহানবা রাজ্য অসামনা ওইরে অমসুং মালেমগী থাক্কী কেন্সর লায়না লায়েংবগী খুদোংচাবসু রাজ্য অসিদা ফংলে।

শ্রী সাহ্না গুৱাহাতিদা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ২,০৯০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখি, অদুগা খরগীনা শঙ্গাখি। শ্রী সাহ্না গুৱাহাতিদা প্রাগজোতিসপুর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতাল, গোলাঘাৎ অমসুং তিন্সুকিয়াদা কেন্সর কেন্সর কেয়ার সেন্তরশিং শঙ্গাখি। মহাকা ভারচুয়েল ওইনা দিফু মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতাল, জোরহাৎ মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতাল, বারপেতা মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালশিংগী সুপর স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালশিং শানবা যাত্রা হুনখি। মহাকা গুৱাহাতিদা বি.জে.পি য়ুথ ৱিংদসু ৱা ঙাংখি।

নোমিনেসন ঃ ২০২৭ কী পদ্মা এৱার্দকীদমক নোমিনেসন অমসুং রিকমেন্দেসনশিং পীখৎলকবা সরকারনা হায়রি। চেরোল অমদা হোম এফ্যারস মন্ত্রালয়না হায়- পদ্মা এৱার্দ অসি মথং চহিগী গনতন্ত্র দিবস থৌরমদা লাউথোক্কনি। নোমিনেসন পীখৎলকপগী অরোইবা নুমিৎ জ্লাই ৩১ নি। নোমিনেসন অমদি রিকমেন্দেসনশিং রাষ্ট্রিয়া পুরস্কার পোর্তেলগী খুত্থাং খক্তদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

পদ্মা ভি ভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রী হায়রিবা পদ্মা এৱার্দশিং অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিল্লিয়ান এৱার্দশিংগী মরক্তা অমনি। ১৯৫৪ দা লিংখৎখিবা মনাশিং অসি আর্ট, লিতরেচর অমসুং ইজ্কেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসিয়েল ৱার্ক, সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং, পাব্লিক এফ্যারস, সিভিল সার্ভিস অমসুং ত্রেদ অমদি ইন্দষ্ট্রি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শিংথানিঙাই ওইবা অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক পীবনি।

গ্যাস ঃ পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা এল.পি.জি দিষ্ট্রিব্যুতরশিংদা গ্যাস পীবা লেপ্পগী পাউ লৈতে। চেরোল অমদা মন্ত্রালয়না হায়- এল.পি.জি বুক তৌবগী চাং থা অসিগা ১৩ দা লাখ ৮৮ লোম ওইরম্বদু ঙরাংদি লাখ ৭৭ লোমদা হন্থরকখি। মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়- বিহার, দিল্লি, হরিয়ানা অমসুং রাজস্থান য়াওনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি কয়ানা সরকারনা পীবা গাইদ লাইনগী মখাদা নোন-দোমেষ্টিক এল.পি.জি পীনবা হুকুম থোকখ্রে।

মন্ত্রালয়না হায়- থাউগী রিতেল আউটলেটশিংদা থাউ লৈতবগী পাউ লৈতে অমসুং পেট্রোল অমদি দিজল চাং নাইনা পীরি। মীয়ামা থাউ ফংলরোই হায়বগী মীপাইদুনা হেঞ্জিন্না লৈশিন্দুনা থমদনবসু মন্ত্রালয়না মীয়ামদা আপীল তৌরি।

সনা ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্তেলিজেন্স (দি.আর.আই)না দিল্লি অমসুং কোলকাতাদগী সনা লোন্না করবার তৌবা অমদি আইন কায়বা মওংদা শুংদোকপগী থবক চথবা কাংবু অমা থুগাইখ্রে।

শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়- থি হুম্বগী থবক চত্থবদা লুপা কোতি ১৪ হেনবগী সনা অমদি শেল মীওই ৬ কা লোয়ননা ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা লুপা কোতি ১৩ হেনবগী ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ৮, চান্দি লাখ ১৯ হেনবগী ওইগদবা অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ৫১ হেন্না ফাগৎখি।

মন্ত্রালয় অসিনা হায়- দি.আর.আইগী ওফিসারশিংনা কোলকাতাদগী লাকপা রেলগাড়ি অমা নিউ দিল্লি রেলৱে ষ্টেসনদা চ্যেক তৌবদা মীরমগী মার্কা নম্বা সনা ফাগৎখি। মদুগী মখা তারকপদা দিল্লিদা সনা শুংদোকফম অমা লৈরে হায়বা খঙখি।

এসসি ঃ সুপ্রিম কোর্টনা গঙ্গা তুরেল মপালদা আইন কায়বা মওংদা য়ুম শাজিনবা অমদি মদু লৌথোকবা পায়খৎপা থবকশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৰারোল পীখৎলকবা কেন্দ্রদা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস জে.বি. পারদিৱালা অমসুং জষ্টিস কে.ভি. বিশ্বানাথনগী বেঞ্চ অমনা কেন্দ্র সরকারদা গঙ্গা নৌনা শেমগৎনবা অমদি ঙাক শেন্নবগী মতাংদা থোকখিবা নোতিফিকেসন অদু হৌজিক ফাওবদা থবক ওইনা কয়াম পায়খৎলবগে হায়বদুগী রিপোর্ট অমা পীরকবা হায়খি। গঙ্গা তুরেল মপালদা লৈবা রাজ্যশিংদা নোতিসশিং অদু পীরদুনা কোর্ট অসিনা হায়- ৱাফম অদুগী মতাংদা ইন্দিভিজ্যেল কেসশিংদা নত্তনা পুন্না য়েংশিনবা তঙাইফদে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোক্সিং ঃ  বেঙ্কোকতা চথুরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং ফ্যুচর কপ ২০২৬ তা ভারতকী বোক্সর মরি ফাইনেল চংখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল বাউটশিংদা ভারতকী জোয়শ্রি দেবীনা কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপ্তা মেক্সিকোগী সোফিয়া রামিরেজবু অহানবা রাউনদা মায়থিবা পীখি। অম্বেকর মীতৈনা কিলোগ্রাম ৫০ গী কাংলুপ্তা উজবেকিস্তানগী অবদুগানি য়োরকিনজোনোভপু পোইন্ট ৫-০ দা, কিলোগ্রাম ৫১ গী কাংলুপ্তা চন্দ্রিকানা মোরোকোগী রিহ্ব ফমদৌনেবু অদুগা কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাংলুপ্তুনা গুনজননা অৱাং কোরিয়াগী য়ু য়োং কিমবু পোইন্ট ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

রাধামনি লোংজমদি কিলোগ্রাম ৫৭ কী কাংলুপ্তা যুক্রেনগী য়েভান হেলিনা পেত্রুক্কী খুৎতা পোইন্ট ২-৩ দা মায়থিদুনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

তুরনামেন্ট অসি চহি অসিগী নবেম্বরদা সিনেগলগী দকারদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমস ২০২৬ কী ক্বালিফাই ওইনবগীদমক পাঙথোকপনি।

হোকিঃ  হায়দ্রবাদতা ঙরাং শান্নখিবা এফ.আই.ঐচ. ৱিমেন হোকি ৱার্ল্ড ক্বালিফাইয়রগী ফাইনেলদা ভারত ইংলেন্দগী খুৎতা পাঞ্জল ০২ দা মায়থিরে।

অদুমওইনমক, ন্যুজিলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহি অসিগী মেগা ইভেন্টতদি ভারত য়াওবা ফংলগনি।

ইংলেন্দগী পাঞ্জল অনি অদু শান্নবগী ১৩ শুবা মিনিটতা গ্রেস বালসধন অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা ইলিজাবেদ নিয়েলনা চনখিবনি।

পেরাঃ ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক গ্রান্ট প্রি-২০২৬ কী ন্যু দিল্লি লেকতা ভারতনা পুন্না তকমান ২০৮ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা মকোক ওইরে।

যুম্বু ভারতনা সনাগী তকমান ৭৫, লুপাগী ৬৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৬৪ ফংখি। অদুগা রাসিয়ানা পুন্না তকমান ৩৫ ফংদুনা অনিশুবদা, বোসনিয়া অমসুং হরজগোবিনা অনিনা তকমান অহুম-অহুম ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

------